কুমসিগী ওইনা মহৈরোই লিশিং ২৯ লোম্না ক্লাস টুয়েল্বকী একজাম থাগদৌরিঃ এল মহেন্দ্র

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (এস এন এস)ঃ কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হয়ার সেকেন্দরি এগজামিনেসন, ২০১৯ অসিদা পুন্না মহৈরোই ২৮,৯৪৫ অমসুং ক্লাস ইলেভেনগী পরিক্ষাদনা মহৈরোই ৩০,০৮৩না পরিক্ষাদা শরুক য়াগনি। পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা মীপাইনিঙাই ওইবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোকহনবীদনবা অমসুং পামদবা থৌদোকশিং থোকহনদনবা হোৎনমিন্নসি হায়না কাউন্সিলগী চ্যারমেন এল মহেন্দ্র সিংহনা মীয়ামদা আপীল তৌখ্রে।

ঙসি কাউন্সিল অসিগী চ্যারমেনগী কাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহেন্দ্রনা পাউমীশিংদা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ফেব্রুৱারি ১৮ দগী হৌরগা মার্চ ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষা অসিদা আর্ট ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৭,৫৫৩, সাইন্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ২০,৭২৮ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৬৬৪ পুন্না মহৈরোই ২৮,৯৪৫ না শরুক য়াগনি।

মসিগী মনুংদা নুপা মহৈরোই মশীংনা ১৪,৯৪৫ অমসুং নুপী মহৈরোই মশীংনা ১৪,০০০ নি। মহৈরোইশিং অসিগী মনুংদা লৈঙাক্কী কলেজদগী মহৈরোই ৪, লৈঙাক্কী নত্তবা কলেজদগী মহৈরোই ৩৩৩১, লৈঙাক্কী হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদগী মহৈরোই ৮৬৪৪ অমসুং লন্নাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদগী মহৈরোই ১৬৮১৯নি। লোয়নননা কাউন্সিল প্রাইভেট মহৈরোই ১৪৭ য়াওরি। মহৈরোইশিং অসি কাউন্সিল সেন্টর ১০০ দা পরিক্ষা থাগনি হায়খি।

অমরোমদা ফেব্রুৱারি ২০ দগী হৌরগা মার্চ ৩০ ফাওবা চংথগদবা ক্লাস ইলেভেনগী পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই ৩০,০৮৩না অপুনবা স্কুল ১৮৯ দা পরিক্ষা থাগনি। পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিং অসিগী মনুংদা আর্টস ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৮,৭০০, সাইন্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ২০,৬৮০ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৭০৩ য়াওরি।

পরিক্ষা অসিদা লমদম অসিগী মহৈরোইশিংগী তুংগী পুন্সি অমসুং লাইবক লেপকৌদরিবা খ্বাইদগী মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইবনা ইরমদমসিগী ইমা ইবেল, ইচিল ইনাও অমদি মহৈরোই লুপ পুন্নমক্না পরিক্ষা অসিবু মপুং ফানা তেক্ত কায়দনা পাঙথোকপা ঙম্নবা কাউন্সিলনা হোৎনরিবা অসিদা মতেং পাঙবীনবা আপীল তৌখি।

লোয়নননা পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংনসু পুক্নিং লৈতানা অকি অখঙ লৈতনা পরিক্ষা থাবীদুনা মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়না কাউন্সিলনা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়খি।

মহাক্না হায়, হয়ার সেকেন্দরি পরিক্ষা অসিদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ১৭৮৫, চান্দেল দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৮৬৩, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ২১৭০, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৩৭৪৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ১০৪৩৮, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ২৬৯, ককচিং দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ১২৩৭, কামজোং দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৮,কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৯৫৭, নোনে দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৪৬৮, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ১৩৭২, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৩০৩, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৩২২, থৌবাল দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৪১৭৪ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তগী মহৈরোই ৮৩৪ য়াওরি।

ক্লাস ইলেভেন পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোই ৩০,০৭২ গী মনুংদা নুপা মহৈরোই ১৫৪২৭ অমসুং নুপী মহৈরোই ১৪৬৪৫ য়াওরি। লোয়ননা মহৈরোইশিং অসিগী মনুংদা লন্নাই কলেজগী মহৈরোই ৩১১৩, লৈঙাক্কী হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই ৭৪৫৬ অমসুং লন্নাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই ১৯৫০৩ য়াওরিবনি হায়খি।

হয়ার সেকেন্দরি পরিক্ষাগীদমক সেন্টর ১০০ অসিগীদমক ফ্লাইং স্কৱাদ ১০০ শেম্লে। লোয়নননা পরিক্ষা অসিদা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাঙবীনবা চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি মণিপুর, মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্তশিংগী দি সিশিং অমসুং এস পিশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা হায়জখ্রে। মখোয়শিং অসি পরিক্ষা হৌগদবা মিনিট ৩০গী মমাংদা সেন্টরশিংদা থুংবগা লোয়নননা পরিক্ষা লোইদ্রিবা ফাওবা মফমশিং অদুদা লৈগনি হায়রি।

মসিদা নত্তনা হেন্না সেন্সিটিভ ওইবা সেন্টরশিং য়েংশিন্নবা অখন্নবা টাস্ক ফোর্সশিংসু শেম শারে হায়খি। সেন্টর ১০০ অসিগী মনুংদা লৈঙাক্কী স্কুল ৩৫ অমসুং লন্নাই স্কুল ৬৫ য়াওরি হায়খি।

লোয়নননা পরিক্ষাগী সেন্টরশিং অথুবদা লাওথোক্লগনি হায়খি। পরিক্ষাদা শাশিন্নবা ৱাহংগী চে পুথোকপা ঙমদনবা অখন্নবা থৌরাংসু তৌরে হায়খি।

স্বাছ ভারত য়াত্রাদা মণিপুরদা এৱার্দ অনী পীরক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অফবা চিঞ্জাক চাবগী তঙাইফদবা মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দ ওঠোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা চংখিবা ইট রাইট ফুদ হায়বা ঠিমদা পাঙথোকপা স্বাছ ভারত য়াত্রাগী থৌরমদা থবক ফজনা পাঙথোকপগীদমক মণিপুরগী নুংবা অমসুং ইম্ফাল ষ্টোপেজদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মনা অনী পীরক্লে।

হিরম অসিগা মরি লৈননা ঙসি দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দাইরেক্টর হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার ডা. কে রাজোনা হায়, ইং ২০১৮গী ওক্টোবর ১৬ তগী হৌরগা জনুৱারি ২৯, ইং ২০১৯ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎখিবা খোঙচৎ অদু মণিপুরদা ইং ২০১৮গী ওক্টোবর ২৫ দা মণিপুরগী জিরিবামদা থুংলখি।

খোঙচৎ অদুনা জিরিবাম, নুংবা, নোনে, ইম্ফাল অমসুং কাংপোকপী ফাওরগা নাগালেন্দদা চৎখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনা হকথেংননা য়েংশিন্দুনা চংখিবা কেম্পেইন অদুদা থৌরম অদু মপুং ফানা পাঙথোকপগীদমক নুংবা অমসুং ইম্ফাল ষ্টোপেজশিংদা এপ্রিসিয়েসন সর্টিফিকেট অমসুং মেমেন্টোশিং পীরক্তুনা পুক্নিং থৌগৎলকখিবনি।

য়াত্রা অসিগী মনুংদা মপুং ওইনা ফসাইগী মীহুৎশিং অমদি মীয়াম্না সাইকল থৌদুনা অফবা চিঞ্জাক চাথকপা অমসুং চাবা থকপদা চেকশিন্না চাদুনা হকচাং ফনা নাদ য়েক্তনা থম্নবগী পাউজেলশিং মীয়ামদা পীরমখিবনি।

মীওইবনা হকচাং ফহনবদা অফবা চিঞ্জাক চাবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়নননা শাজেল তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। স্বাছ ভারত য়াত্রা অসিগী মনুংদা চিঞ্জাক্কী মরমদা মীয়ামদা খঙহনবগা লোয়নননা মোবাইল টেষ্টিং য়ুনিট শিজিন্নদুনা চিঞ্জাকশিংদা করি য়াওরিবগে হায়বদু চাংয়েং তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনখিবনি। মসিদা নত্তনা মীয়ামদা ত্রেনিং পীবগী খুদোংচাবসু পীরি।

পীরকখিবা এৱার্দ অদু দাইরেক্টরনা দি সি নোনে হুংয়ো ৱোরশাংদা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ষ্টেট নোদেল কোওর্দিনেটর টি ৱোজেন্দ্রো খাবনা হায়, স্বাছ ভারত য়াত্রা অসিগী মখাদা জিরিবাম, নুংবা, নোনে, ইম্ফাল অমদি কাঙপোকপী হায়না মফম ৫ অসিদা চৎখরকপনি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মনুংদা চিঞ্জাক্তগী ওইরকপা প্রোব্লেমশিং, মালন্যুত্রিসন, ওবেসিতি, নন কম্যুনিকেবল দিজিজশিং নাবনচিংবা কয়া অসিনি।

স্বাছ ভারত য়াত্রাগী মনুং চন্না ফসাইনা সাইক্লোঠোন শিন্দুনা মীয়ামদা চিঞ্জাক্কী মরমদা খঙহনবগী ৱাখল তাহন্দুনা লাকখি। ইট রাইট ফুদ ইন্দিয়া কেম্পেইন অসিগী মতাংদা মফম ৫ অসিদা রেল্লি অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা পন্দুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থবক চংখরবা মতুংদা টিম অদুনা ইম্ফাল থাদোকখিবনি। মসিদা পার্ফোমেন্স ফজবগীদমক নুংবা অমসুং ইম্ফাল ষ্টোপেজ অনি অসিদা শকখঙচে অমসুং নিংশিং খুদোল অদু পীরকপনি হায়খি। য়াত্রা অসিগী মনুংদা অঙাংশিং হকশেলগী মরমদা ক্বিজনচিংবা পাঙথোকখি।

দি সি নোনে হুংয়ো ৱোরশাংনা হায়, চীংদা লৈরিবা মীয়াম অসি মপুং ওইনা হকশেলগী মরমদা কুপ্না খঙবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। মসিনা মরম ওইরগা মখল মখা কয়াগী লায়নানা শিবগী চাং য়াম্না ৱাংলিবনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা স্বাছ ভারত য়াত্রানা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবা অসি য়াম্নমক কান্নবা পীরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা ষ্টোপ্পর নোদেল ওফিসার ৱাই সত্যজিৎসু শরুক য়াখি।

বোম পোকখায়বদা এ আরগী...

লমায় ১গী মখা য়েংশিল্লুরগা থোরকপদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পিরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, থৌদোক অদু লাইবক থিবনি। বোম পোখায়হল্লম্বা থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

মহাক্না হায়, করিগুঞ্জ অসাম রাইফল্লগী মাইকৈদগী খুৎ হল্লম্বা থোক্লবদি মীচম কয়া অশোক অপন নংলম্বা য়াই। অসাম রাইফলগী টুর্নামেন্ট অসিগী পাঙথোক্লবগীদমক দি সিদগী পার্মিসন লৌখিবদি লৈ অদুবু মণিপুর পুলিসকী দি জি পিগা পাউ ফাওনখিদবা মাল্লি। অসাম রাইফল অমদি পুলিসকী মরক্তা হেন্না মরী ফগৎনবা খঙহল্লগনি।

ঙসিগী থৌদোক অদুগী মতাংদা সি সি টি ভিগী ফুত্তেজ অমদি ইন্তিলিজেন্সকী মতেংগা লোয়নননা অথুবা মতমগী মনুংদা থিগৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোংদোকখি।

অমরোমদা ঙসি নুমিদাং পুং ৬ লোম তারকপদা বোর্ডর টাউন মোরেদা লৈবা মুস্লিম নগর ৱার্ড নম্বর–৫গা থংনবা ম্যান্মারগী বোর্ড সাইদ রোমদা মতিক–ময়াই চেনবা বোম অমা পোকখায়খ্রে। বোম পোকখায়বা মফম অদু মী তাদবা লবুক–লম্ফাং ওইনা লৈবা অমোৎ–অকায় হুন্দোকফম ওইবনা মীওই অমত্ত অশোক–অপন য়াওখিদে। বোম পোকখায়রিবা মফম অদু নম্ফালোং কৈথেলদগী চাউরাক্লা মিটর ১০০ রোমতমক লাপ্পা লৈবনি। ঙসিগী বোম পোকখায়খিবা অদুদা মুস্লিম নগর লৈকাই মনাক নক্না লৈবাক থোংনাও মিংশেল অকায়–অতোই থোকখি। থৌদোক থোকফম মফম অদুদা মোরে পুলিসকী এ এস পি কে ঐচ রোবিন্সন, এস দি পি ও সন্দিপ গোপালদাস, দি এস পি থোমাস থোকচোমগী অপুনবা টিম অমদি ৪৩–এ আরগী সি ওনচিংবা কয়া লাক্তুনা বোর্ডর এরিয়াদা পোকখায়খিবা বোম অদু লাপ্তক্লা য়েংখি হায়রি।

একজিবিসন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (এস এন এস)ঃ তোঙান–তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিংগী আর্টিষ্ট গ্রুপ অমনা শীন্দুনা দেভোইদ দি আর্ট অননোন হায়না মিংথোনবা আর্ট একজিবিসন অমা হয়েং ফেব্রুৱারি ৮দগী ফেব্রুৱারি ১০ ফাওবা লুৱাংশাংবমদা লৈবা মতাই গার্দেনগা মায়োক্নবদা লৈবা অমাশুংদা পাঙথোক্লগনি। তোঙান–তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিংগী আর্টিষ্ট ৮না পুনশিন্দুনা আর্ট একজিবিসন অসি পাঙথোক্নবা শীনবনি হায়রি।

দি–জ্যুরি মীখল ক্লেম তৌরকপা য়াইঃ সমরজিৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (এস এন এস)ঃ অসামগী করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্তা কংলাশাগী মিতম য়াওবা য়ুম্বী মখোঙ অহুম য়াওবা অথৌবশিংগী নিংশিং খুভম অমা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চ্যারমেন নারেংবম সমরজিৎনা ঙরাং মায়খুম হায়দোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। সি এ বিল পাস তৌরক্লবদি দি–ফেক্টো ইলেক্সন বোইকোট তৌদুনা দি–জ্যুরি ইলেক্সন ক্লেম তৌরকপা য়াই হায়না এন সমরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

অসামগী করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্তকী মনুংচনবা লাইশ্রমখুলদা পাঙথোকখিবা অথৌবশিংগী নিংশিং খুভম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা এন সমরজিৎনা হায়, মচোয় মচোয় চায়থোক্তুনা তারিবা ইচিল ইনাউশিংবু অমত্ত ওইনা পুনশিনবগী মতম ওইরে। চোইনা খুন্দারিবা ময়াম অসি অমত্ত ওইনা পুনশিন্নবগী লম্বী অসি শাগৎনবা হোৎনবদা সলাইগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।

সি এ বিলগী মতাংদা মহাক্না হায়, হৌজিক কোংগ্রেস পার্টিনা সি এ বিল অসি পাস তৌবা য়ারোই হায়না লাওরিবা অসি তাৎনি, মীয়ামদা উৎচাইবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মখোয়না তশেংনা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈগে হায়না খনলবদি বিল অসি লোক সভাদা পাস তৌনবা পুথোরকপা মতমদা হাউসতগী মপান থোকপগী মহুত্তা অৱায় অখুম তৌনদুনা বিল অসিগী মায়োক্তা থেংনফম থোকপনি।

মালেমদা লৈরিবা মীতৈশিংনা দুবাইদা চৎপদা লৈফম চাফমগী থোইনা মীপাইনিঙাই ওইদে। দুবাইদা সলাইগী মায়কৈদগী অচৌবা ভিলা অমা লৌদুনা মীয়ামদা লেম্না লৈফম চাফম পীনবগী থৌরাং লৈরে হায়খি।

ঙসি মায়খুম হায়দোক্লিবা মীতম অসি শঙবগী থবক তৌরিবা মীওই অদুদা সলাইগী মায়কৈদগী থাদা লুপা লিশিং ৫ পীরগনি হায়না মহাক্না লাওথোকখি। লোয়নননা সলাইগী মায়কৈদগী আমসুদা লুপা লাক্ষ ১গী শেনফম মতেং পাঙখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু)গী প্রসিদেন্ট পাঙম্বম নিলকান্তনা হায়, মণিপুরগী পুৱারিগা শাগোন্নরক্লবা মফম কয়া বরাক তম্পাক্তা লৈরবসু মপা পান্দবগা পাঙ্খক ওইনা মিতোপশিংনা অমাং অশোয় তৌশিনফম ওইদুনা লৈরে হায়খি।

মহাক্না হায়, কছার লমগী ৱারি য়াওদনা মণিপুরগী পুৱারি শেন্নদা মপুং ফারোইদবা ওইরবসু ইপা ইপুশিংগী হৌরকফম মণিপুরনা মপান মণিপুরীশিংবু মীরাইবীবগুম উরি।

সিলচরদা মণিপুর ভাবন অমা শানবাচ্ছী ১০ রোমগী মমাংদগী মণিপুর লৈঙাকশিংদা আমসুনা তকশিন্দুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা তাবিদনা লৈরি।

বরাক তম্পাক্তা লৈরিবা পুৱারীগা শাগোন্ননা মফম কয়া শেমজিন শাজিন্দবনা মীতোপনা অমাঙ অশোয় তৌশিনবা অমদি লম খোপচিন্দুনা মাঙথোক্লি।

মচোয় মচোয়না তাখ্রবসু মীতৈশিংগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরনা অৱাবা তারবা মতমদা মপান মণিপুরীশিংনা মতেং পাঙদুনা লাক্লিবনি, মখা তানসু পাঙখিগনি হায়খি।

সি এ বিল অসি আমসুনা চপ চানা মদুগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাক্লি। বিল অসিগী মায়োক্তা নেসোনা লৌরকপা ফিরেপ খুদিংমক্তা আমসুনা শৌগৎকনি হায়খি।

মীয়াম্না লম্বীদা ফমজিনবগী খোঙজং...

লমায় ১গী মখা পোকখায়হন্দুনা খোঙজং অদু তকথোকখি। মদুদা নুপী অমা ৱাঙ্গরকপদগী হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নখি।

লম্বী পরিং অসিগী অতৈ মফমশিংদা চংখিবা খোঙজংশিং অদুসু পুলিসনা চৎ–চক্তুনা তকথোক্লবা হোৎনবদা চরাংনবা কয়া থোকপা লোয়নননা অৱাবা ওইখি। শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায় মপাদা লম্বীদা ফমজিনবগী খোঙজং তকথোক্লবা হোৎনবদসু পুলিসকী মুক্নরকপদগী টিয়ার গ্যেস সেল লংশিনদুনা পোকখায়হল্লগা তকথোকখি। শিংজমৈ পার্কিংদা কৈথেল ফম্বীশিং য়াওনা মীয়াম্না চংশিল্লম্বা খোঙজং তকথোক্লবা হোৎনবা পুলিসকা ঙাইহাক মুক্নখি। অদুবু মশিং য়াম্নবা পুলিস পার্সোনেলশিং থোমজিল্লক্তুনা খোঙজংলোয়শিং অদু নমদুনা তথোক্লগা লম্বী থিংলম্বা অদু হাংদোকখি। তাল্লক্তুদা শিংজমৈ পার্কিংগী মফম অমদা থেৎলম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিগী পোষ্টর অমা খোঙজংলোয়শিংনা মৈ থারমখি।

লম্বীদা ফমজিনবগী খোঙজং অসিগী চপ মান্নবা মওংদা উরিপোক তখেল্লম্বা লৈকায় মপাদসুত লৈকায় অদুগী মীয়াম্না উরিপোক কাংচুপতা চংখি।

মেনপেক্কী খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা নারেমথোং লম্বী হায়জিনফমদসু মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চংখি। কাখুলোংদসু কাখুলোং পৈ নমথেনমৈ অমসুং কে ৱাই সিনা শিল্লগা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং চংশিনখি।

মেনপেক্কী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকী থৌমীশিংনা থাংমৈবন্দ কল্লেজ গেটকী মায়োক্নবদা ৱাকৎ মীফমগা লোয়নননা খুথাং চরা হেনবগী খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকী প্রসিদেন্ট প্রতাপ লৈশাঙথেমনা ফোংদোকখিবদা, চৎলিবা থা অসিগী ১২ ফাওবা থাংমৈবন্দদা লৈরিবা ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা মথং মথং চরা হেনবগী খোঙজং অসি চংশিনখিগনি।

সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি করিগুম্বা থা অসি ১২দা রাজ্যা সভাদা পুথোক্তুনা অয়াবা পিখিবা তারবদি পুৱারিদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মেনপেকনা শিন্নরকপা থৌদাং মতুংইন্না অকনবা খোঙজং চংশিন্নবা অমসুং ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মথক্তা চপ–চানা থেংননবা শেম–শাবা লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা, ঙরাং টিদিম লম্বীগী হোদাম লৈরক মপাদা চংশিনখিবা মীয়ামগী খোঙজংবু থুগায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা য়ুক্লক্তা টিয়ার গ্যেস শেলশিং কাপশিনখিববু য়ানিংদে হায়না কোঞ্জেং হজারি লৈকায় অমসুং ধোবী মচু লৈরক্কী মৈরা পায়বীশিংনা পাউচে অসিদা ফোদোরক্লি।

ঙরাং পুলিসনা টিয়ার গ্যেস কাপ্লদা ধোবীমচু লৈরক্তা লৈবা খ্বাইরাকপম জয়চন্দ্রা (৮০) কৌবা মীওই অমগী য়ুমগী মথক থংবা মথোলগী থোংনাওদা পানবদগী থোংনাওগী মিংশেল কায়খি মদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক শোন্দুনা লৈরিবা জয়চন্দ্রগী অনাবা হেঞ্জল্লে হায়না মৈরা পায়বীশিংগী মাইকৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মী ফারগা লাক্ষ ৫০ দিমান্দ তৌবগী এম ঐচ আর সিনা...

লমায় ১গী মখা তৌখি। লোয়নননা পুলিস অমদি হয়ার ওঠোরিটিদা রিপোর্ট তৌদনবা খঙহনখি। অসুম্না তৌবগী খোঞ্জেলসু প্রমান ওইনবা রেকোর্ড তৌখি হায়রি। কমপ্লেন পেটিসন অসিগী কোপি অমা মণিপুরগী দি জি পিদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবা পীখ্রে। কমপ্লেন্ট অসিসু মশামক মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংগা এপিয়ার তৌরনবা স্পিদ পোষ্টকী খূখাংদা খঙহনখ্রে।

কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং ফেব্রুৱারি ২৮,২০১৯দা লেপখ্রে।

সি এমগী ৱাঙাং মীয়াম্বু থৌওইদবনি...

লমায় ১গী মখা ময়াম অসিবু য়াম্না পঙবগী মওংদা পংহায় হায়বগুম উহনবা অসি মীয়াম্বু থৌওইদবা–থৌশাদবনি হায়না লৌই।

বিল অসি মখোয় ঙাক্তুনা পব্রা, বিল পারগদি করিগী দিল্লিদা চৎলগা করিগী তক্নরুনি হায়রিবনো। মণিপুরদনা বিলনা করিসু তৌরোই নুংনাঙবীগনু হায়না থৌ লৈতবগী থৌ থিবগুম তাহন্দুনা ঙাঙবীবা অদুগা সেন্টরদনা চৎলগা ৱারি শান্নরুনি হায়না চৎলিবা অসি বি জে পিগী খোঙচৎ অসি বিল শৌগৎপা চৎলিব্রা নৎত্রগা বিল অসিগী মায়োক্তা তক্নবা চৎলিব্রা হায়বদু হংনিংই হায়খি।

বিল অসিদা য়াওরিবা ৱাফম অদুনা মীয়াম মীপায়নরিবনি। লমদম অসিদা বিলদা য়াওরিবা ৱাফম খঙবা, এদভোকেট, ইন্টলেকচুয়েল, একাদমিসিয়ান ময়াম লৈরিবা অসি করিসু খঙদবা ওইনা লৈঙাক্লা লৌব্রা হংখি।

মীয়ামদা ফাওরিবা চিংনবা অসি লৈবদগী মীয়াম অসি হৌরকপনি। মসি ইরাং থোক্লবা তৌবদি ওইরগ্লোই। মসিগী লাঙতক্লবা অসি কোকহনবীনবা মীয়াম্না চংশিনলিবা অসিদা মখোয় য়াওশিনবা করি কায়বা লৈবগে হংখি।

বিল অসিনা করিসু তৌরোই হায়রগা নোংমা নোংমগী চাকখৎলকপগুম তৌরি। তশেংবগদি লৈঙাক হায়বসিদি কুপ্না য়েংবা চংই। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা মখোয়না মহুৎ শিনলগা মীয়ামগী অপাম্বদু সেন্টরদা তক্নগদবনি।

লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক থবক তৌরিবা সিভিল সোসাইতিশিংবু পুক্নিং হন্থহনগদবা মওংদা পংঙাঙদা ঙাংবা অসি তৌহন্নিংদে। হৌদোঙনা ঙারি চাগনি য়েংউ হায়দুনা হৌদোঙনা ঙারি চাবদু য়েংদুনা লৈবদগী অসুম লোইশিনলকপগুম য়েংদুনা লৈগদ্রা।

অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা সিভিল সোসাইতি পুন্নমক, পোলিতিকেল পার্টি পুন্নমক, মীয়াম পুন্নমক হৌদুনা দিল্লিদা থোঙ থিনলিবগী ৱাখল লৈঙাক অসিনা খঙদব্রা। মীয়ামগী খোল্লাউ হায়বসিদি ঈশ্বরগী খোল্লাউনি হায়নরিবনি। মসি তরাই তরাইনা লৌহন্নিংদে, করিগুম্বা অমা লৈবদগী তৌবনি হায়বসি খঙহন্নিংই।

কোংগ্রেস পার্টিদি বিল অসি তেবল তৌবা হৌবদগী মদুগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাক্লি। বিল অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নদুনা বিল অসি পাস তৌদনবা লাওদুনা লাকপদু তাবিদনা লাকখি।

বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা চপ য়ুংনা লেপ্লি। হৌজিকসু এম পি সি সি অমসুং এ আই সি সিনসু বিল অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা ৱাখল মান্নবা পোলিতিকেল পার্টিশিংনা য়ারোই হায়না মুকপদগী বিল অসি পুথোকপা হঙ্গোইদুনা বি এ সিদা ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রে।

অদুবু পুথোক্ত্রে হায়না থৌশাদনা লৈথোকপা চুন্নোই। বি জে পি লৈঙাক অসিদা লো লৈতে, তৌনিং তৌনিংবা তৌবনা সপ্লিমেন্টরি বিল অসি পুথোক্লদ্রবসু লো চৎনদবনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা বিল অসি হেক্তমক পুথোক্লগা পাস তৌখিবা য়াই। মদুদসু নত্তনা মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাওথোক্ত্রিঙৈদা বিল অসি ওর্দিনান্স ওসনা জারিরকপসু য়াই। মরম অদুনা মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা শেন্নবা তঙাইফদে হায়খি।

মীয়ামগী পুক্নিংদা চিংনরিবা অসি কোক্ত্রিবা ফাওবদি মীয়াম্না য়াদে হায়বদু উৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

বি জে পিনা বিল অসিগী মতাংদা মরৈ অনি লোঙনা ৱা ঙাঙলি। লুচিংবশিংগী মরক্তা হায়নিংবতা হায়দুনা লৈরি। মখোয়গী ফিরেপ ময়েক শেঙদে। সেন্টরগী বি জে পি লুচিংবশিংগী মরক্তসু ৱাঙাঙ মান্নদে হায়খি। মখোয়গীদি বিল অসি পুথোক্তবা য়াদে হায়বগী ৱাখল অমা লৈরি। বি জে পিদি মীয়ামগী খন্দে, পোলিতিক্সকী খুদোংচাবা য়েংদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল অমদা চংখরি হায়খি।

টেক্নোলোজিগী লৌশিং য়াওদনা হিংবা ওইথোক্লোই ঃ টি ঐচ রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (এস এন এস)ঃ অঙাংশিংনা মহয়–মশিং তম্বদা মতমগা চুনবা দিজিটেল লার্নিং শীজিন্নদুনা লাইরিক–লাইশু তম্নবগী পান্দমদা মণিপুর দিক্সা হায়না মিংথোনবা এপ্প অমা ঙসি এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা এস সি ঈ আর টিগী মল্টিপর্পোজ হোলদা লোঞ্চ তৌখ্রে।

দাইরেক্টোরেট ওফ ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এডুকেস্নেল রিছার্স এন্দ ট্রেনিং (এস সি ঈ আর টি) গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফোর নোলেজ সিয়ারিং (দিক্সা) ইন মণিপুরগী লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মিথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা মখা তারদুনা হায়,হৌজিক্কী মতমদা টেক্নোলোজিগী লৌশিং য়াওদনা মালেমসিদা হিংবা ওইথোক্লরোই অমদি চাউখৎপা ঙম্লরোই, অমদি অতোপ্পগা কম্পিট তৌবসু ঙম্লরোই।

মহাক্না মখা তানা হায়, মালেমগী ওইবা চাউখৎপগী অওনবা অসিদা য়াওবা ঙম্নবগীদমক এডুকেসন সেক্টর অসি মতিং লৈহনবা মথৌ তাই। এডুকেসন দিপার্টমেন্টকী য়ুনিট খুদিংমক মরু লোইনা ওইনা । অদুবু খ্বাইদগী মরুওইবা অমা হায়রবদি এস সি ঈ আর টিনি। মহৈ–মশীং তম্বদা লাইথোক্লা অমসুং মনুংথিংনা খঙহনবদা মণিপুর দিক্সা অসিনা চাউনা মতেং ওইরগনি। ওঝাশিংনা এপ্লিকেসন অসি মতৌ করম্না শীজিন্নগদগে হায়বনচিংবগী মতাংদা মখা তানা খঙনিংবা লৈরবসু এস সি ঈ আর টিদা হংবিয়ু। ওঝাশিংনা হিরমসিদা মমুৎ তানা খঙলবদি মহৈরোইশিংদসু তাকথোকপা লাইগনি। ওঝা অমসুং মহৈরোই অনীমক্না হান্না পুন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। এপ্প অসি শীজিন্নবদা নুংঙাইবা নৎত্রগা নুংঙাইতবা য়াওরবসু ফিদ বেক পীবিয়ু।

ঐখোয় অসি ফিদ বেক পীবগী হৈনবী ৱাৎলি। ফিদ বেক হায়বসি য়াম্না মরুওই। মখাতানা অফবা লম্বীদা শেমদোক্লবা পাম্বে ওইহনসি। ওঝাশিংগী প্রোফাইল এন্দ রেজিষ্টার, টিচর প্রোফেস্নেল দিভলপমেন্ট শিনফমসিদা মতৌ করম্না হেন্না মায় পাকপা ওইহনগদগে, টিচিং এন্দ লার্নিং,কন্টেন্ট, কম্মন প্লেটফোর্ম ফোর টিচর টু ক্রিয়েট ওর অপলোদ দিয়ার আওন মেটরিয়েলস। কন্টেন্ট স্কুল লিদরসিপ প্লেটফোম,ইনোভেসন, এসেসমেন্ট অমসুং কম্যুনিকেসননি।

এপ্লিকেস অসি পুথোকপগী মরুওইবা ওবজেক্টিভ খরদি অহানবদা টিচিং লার্নিং মেটরিয়েলস অসি অমগা–অমগা সিয়ারিং তৌনদুনা নোলেজ হেনগৎহনবা ,অনীশুবদা ওঝাশিংদা ঈ–কন্টেন্টস শীজিন্নবা অমসুং মসিগী খুদোংচাবা লৌহনবনি।,অহুমশুবদা লমদম অসিগী ওঝাশিংবু অমগা–অমগা শকখঙহন্নবা লোয়নননা টেক্নোলোজি অসিগী মতেংনা মখোয় মশেলগী মরক্তা লার্নিং এক্সপরিয়েন্স সিয়ারিং তৌহনবা অসিনচিংবনি। টেক্নোলোজিগী পাম্বৈদগী মালেম অসি চাউখৎপগী পনখৈ লাল্লে হায়না লৌবা য়ারবা মতমনি। চাউখৎপগী খোঙজেলসিদা য়াওবা ঙম্নবগীদমক্তা ঐখোয় টেক্নোলোজি শীজিন্নবা হৈবা তাই। ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংবু মশাগী পোকচবা মচাগুম লোইন্নবিয়ু। এডুকেসন সিষ্টেমবু হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক্তা ঐখোয় অমগা–অমগা খূৎশম্নদুনা কোরপোরেসন লৈনা থবক তৌবা য়াম্না মথৌ তাই। মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংগা ঐখোয়গা চাংদম্নবদা নোপ্তুনবগীদমক মহৈরোইশিংদা ক্বালিটি এডুকেসন পীসি। ক্বালিটি এডুকেসন পীনবা হোৎনবদা ওঝাসু য়াম্না ক্বালিফাইদ ওইবা লোয়নননা মতম–মতমগী টেক্নোলোজিগী পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা অঙাংশিংবু তাকপী–তম্বীবা মথৌ তাই। এডুকেসন এন্দ সিষ্টেম ফগৎহল্লবা মতমদা ঐখোয় মালেমদা মশক থোকপা কাঙলূপ ওইগনি।

ওঝাগা মহৈরোইশিংগগী মরী অসি মপা–মচাগী মরি ওইহনসি অমদি স্কুল ফগৎহনসি। ক্বালিটি এডুকেসন পীরসি লোয়নননা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা লোঞ্চ তৌরিবা দিক্সা অসি শীজিন্নবীরো,পেন্দবা নুংঙাইতবা য়াওরবসু পাউ পীবিয়ু হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা এডুকেসন (এস)কী দাইরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমার (আই এ এস) এস সি ঈ আর টি, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দাইরেক্টর ডা. এম মীনাকুমারি দেবী, টিম–দিক্সা, ন্যু দিল্লি সর্ঠক সঠাপাঠিনা ইকায়খুম্নরবা মীথুং অদুগা এস সি ঈ আর টি, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী এম য়াইস্কুল মৈতৈ (আই এ এস)না থৌরম মপু ওইখি।

নেসোনা অমুক হন্না সি এ বিল য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ অৱাং নোংপোক ষ্টেট ৩গী খোঙচৎতা লাক্কদৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি খোঙচৎ মাঙওইননা নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো)না সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবগী ৱাফম অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।

নেসোগী চেরোলনা হায়, লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিং অমসুং পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা য়ানিংদবা খোঙজং চংশিল্লবসু বিল অসি লোক সভাদা পাস তৌখি। বিল অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী য়েংদুনা পাস তৌফম থোক্তবা অমসুং পোলটিকেলগী ওইনা য়াম্না চুমদবা খোঙথাংনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটকি য়েলহৌমীশিং ইকায় খুম্নদে হায়বা সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল লোক সভাদা পাস তৌখিবসিনা তাকই। গভর্নমেন্টকি থৌওং অসিদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংগী মীশিং থওইনা হন্থহন্দুনা মশাগী লমদা মাইনোরিটি তাহন্নবা হোৎনবনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংনা তমথিরবা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈ হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা খঙগদবনি। গভর্নমেন্টনা বিল অসি রাজ্য সভাদা পুথোক্লোইদবনি। করিগুম্বা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌরবদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা অচৌবা উহৌ লাক্কনি। লৈবাক ইরাং থোক্লক্তুনা তংদু লৈতাদবা ফিভম ওইরক্লবদি মদুগী দাইত্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়রি।

ওক টসর ক্রিসি মেলা কম এক্সিবিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৭ (এস এন এস)ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল,গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী রিজনেল সেরিকলচর রিছার্স ষ্টেসন সেন্ট্রেল সিল্ক বোর্ডনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ওক টসর ক্রিসি মেলা কম এক্সিবিসন ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা রিজনেল সেরিকলচর রিছার্স ষ্টেসনদা পাঙথোকখ্রে।

এক্সিবিসন অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা সেন্ট্রেল সিল্ক বোর্ড, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী চিয়ারমেন কে এম হনুমান্থারায়াপ্পানা ফোঙদোকখিবদা মসাগী পোখোক মরাং কাইনা পুথোকপা মুগা তিন য়োকপগী ট্রেনিং কয়া পীরি। ট্রেনিং অসিদা মীয়াম্না শরুক য়ামিন্নদুনা মুগাগী পোখোক মরাং কাইনা পুথোক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নখি।

লমদমসিদা এগ্রিকলচরগী পোখোক পুথোক্লবা হোৎনরিবা অসিগুম্না মুগা য়োকখৎনবা হোৎনবা অসিসু য়াম্না মরুওই। লমদম অসিদগী মুগাগী পোখোক পুথোক্লবা হোৎনবগী ৱাখল্লোন কয়া লৈতে। অদুনা মুগাগী কান্নবশিং খঙমিন্নদুনা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এন ইবোতোম্বী, সাইন্টিষ্ট দি এন্দ হেদ সেরিকলচরনা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়, রিছার্স ষ্টেসন অসিনা পুথোক্লিবা অনৌবা টেক্নোলোজি ফার্মরশিংদা খঙহনবা মথৌ তাই। মখোয়না থবক তৌবদা থেংনরিবা খুদোংচাবশিং টেক্নোলোজিগী মতেংনা কোকহন্দুনা পোখোক হেন্না পুথোক্লবা পান্দম থগ্নি।

সেরিকলচর অসিনা এগ্রিকলচরদগী হেন্না ইকোনোমিক ভেল্যু লৈ। চহী অমদা মালবরি ক্রোপ অসি মঙারক তৌবা য়াদুনা অচৌবা ইনকম লাকপা ঙম্মী। অসিগুম্বা কান্নবশিং অসি ফার্মরশিংনা অমগা–অমগা সিয়র তৌনদুনা মুগাগী পোখোক পাক শন্না পুথোক্লবা পান্দমদা এক্সিবিসন অসি শিনবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা টি সুরজবোরো চিয়ারমেন মণিপুর ষ্টেট সেরিকলচর কোওপরেটিভ ফেদরেসন লিমিটেদ ইম্ফাল অমসুং এস কুঞ্জাকিশ্বর,দাইরেক্টর সেরিকলচরসু শরুক য়াখি। লোয়নননা এক্সিবিসন অদুদা ষ্টোল ২০না শরুক য়াখি।

জি পি অমসুং প্রধানশিংনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্কি রুরেল দিভলপমেন্ট ৱার্কর্শিং নিংথিনা থবক্তা ওন্থোক্লবা মতিক চাদ্রবা দিপ্যুটি কম্মিসন্নর শিন্দোউ হায়দুনা জিলা পরিষদ অমসুং প্রধানশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

জিলা পরিষদ অমসুং প্রধান পুন্না মীওই৪৪না খুৎয়েক পীবা ৱাকৎ চেরোলদুনা হায় দিপ্যুটি কম্মিসন্নর অসি এম জি এন আর ই জি এ গী দিষ্ট্রিক প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ওইবনা দিষ্ট্রিক মনুংদা পায়খৎকদবা রুরেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং শেম্বা শাবা অমদি পায়খৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌবা ফমনি।

মহাত্মা গান্ধী নেস্নেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গেরেন্টি এক্টগী মখাদা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংশিংগী থবক নিংথিনা পায়খৎনবা দি সিগা পঞ্চায়াটি রাজ ইন্সটিট্যুটকি ইলেক্তদ মেম্বরশিংগা অফবা মরী থমদুনা মতেং পাংনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। দিপ্যুটি কম্মিসন্নরনা দিষ্ট্রিক প্লান্নিংগা মরী লৈননা জিল্লা পরিষদ মেম্বরশিংগা হৌখিবা চহী ১ হেনবরোমসিদা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবা লৈতে। ইম্ফাল ইষ্টকি দি সিনা এম জি এন অর ই সি এসকা মরী লৈনবা থবকশিংগী ফন্দ শিজিন্নবগী মতাংদা ত্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈবা ৱাংলি হায়রি।

ৱাকৎ চেরোলদুগী মতুং ইন্না শেনবা চহী ২০১৮–১৯গী এম সি এন আর ই জি এ গী অহানবা বেঞ্চকি ৩শুবা ইষ্টোলমেন্ট অমসুং ৪শুবা ইষ্টোলমেন্টকি ওইনা মথং শিংনা শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ১০৪৫৫.২৭ অমসুং লুপা লাক্ষ ১০৩০৩.৫১ থাদোরকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকি ওইনা ফংখিবা শেনফমনা লুপা লাক্ষ ১৯৬৩.৮৯নি। শেনফম অদুগী এলোকেসননচিংবগী নোটিফিকেসনসু থোকখিবা লৈত্রি । মহাক্না ইলেক্টর মেম্বরশিংগী মরক্তা অচান মীরাই নাবগী থৌওংসু চৎখৈ হায়না মরাল শীরি।

পোলিটিকেল পার্টি ৯না...

লমায় ১গী মখা সি এ বিল অসি মণিপুর মীয়াম অমত্তনা য়ানিংবা অমত্ত য়াওদে। বিল অসি করিগুম্বা রাজ্য সভাদা পাস তৌখিবা থোক্লবদি অদুঙৈ ইনিদয়া অমসুং পাকিষ্টান খাইনবগী মতাংদা থোকখিবা লাঞ্জাও অদুদগী হেন্না মীশি–মীনা য়াওবা য়াবা ঈরাং থোক্লকনি। লৈবাক অসি কন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোনদা মীফম পাঙথোকপনি। মীয়াম্না বিল পুথোক্কনি হায়না থাজনরিবা ফেব্রুৱারি ১২ ফাওবা মখল কয়াগী খোঙজং হনবা লৈতনা চঙশিনগনি হায়নসু মখা তাখি।

মণিপুর ফাওরগা ম্যান্মারদা চঙখিবা নেপাল্লি ৩০১ হল্লক্ত্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৭ঃ ইন্দিয়াগী বোর্দর টাউন মোরে ফাউদুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদগী চহীসিগী জনুৱারী থা ফাওবদা ম্যান্মারদা চংখিবা নেপালি ৩০১ হল্লক্তবসু নুপী মচা অমখক্তি মহাক্কি ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা পাউ পীরক্তুনা কনবীনবা খঙহল্লকপদগী ম্যান্মার ওথোরিটিনা কনবা ঙমহৌরে।

মীওই কয়া অমা মোরে ফাওদুনা ম্যান্মারদা ত্রাফিক তৌরে হায়বগী খুদম ফংলকপদগী সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং গল্ফ লৈবাকশিংদা পুশিনখিগদবা নেপালি সিটিজেনশিং হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং তৌবা থিংনবা লৈবা এন জি ওশিংনা পুলিস য়াওনা গভর্নমেন্টকি ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা রেস্ক্যু তৌবগী থবক থা অসিগী ১দগী হৌখি। হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং তৌনবনি হায়বা মীওই ১০০ হেন্না মণিপুর পুলিস অমসুং সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা এন জি ওশিংগা পুন্না হোৎনদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী কনবা ঙমখি।

হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা ইনিদয়াগী বোর্দর টাউন মোরে ফাওরগা মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদগী জনুৱারী ফাওবদা ম্যান্মারদা চৎখিবনি হায়বা নেপালি মচা ৩০১ হল্লক্ত্রে অমসুং মখোয়না মোরে ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্টতা পীরম্বা রেকোর্দকি মতুং ইন্নদি মখোয় পুন্নমক নেপালি সিটিজেনশিংনি হায়বা তাক্লে হায়না মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকি মেম্বর কৈশাম প্রদিপকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।